ব্রেষ্ট কেন্সর স্ক্রিনিং এন্দ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

সেনাপটি, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : ঙসি সেনাপটিগী দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, সেনাপটিনা শীন্দুনা ব্রেষ্ট কেন্সর স্ক্রিনিং এন্দ এৱ্যেরনেসকী থর্দ কেটচ অপ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী মমোনি দোলেনা থৌরম অসি পাঙথোকপদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখিবা অমদি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমহনখিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিং অমদি অতৈ মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়াম্না প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াদুনা মসিদগী ফংলকপা ব্রেষ্ট কেন্সর স্ক্রিনিং এন্দ এৱ্যেরনেসকী লৌশিং অদু মীয়ামদা শন্দোক্তুনা খঙহন্নবা অপিল তৌখি।

প্রোগ্রাম অসিদা সেনাপটিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. সুমপি পর্সিনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। মহাক্না হৌজিক্কী মতমদা ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিং অমদি নৌনা মমা ওইরবী নুপীশিংদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী এৱ্যেরনেস অসি পীবা মথৌ তারে। ব্রেষ্ট কেন্সর মায়োক্নবদা মায় পাক্কে হায়রবদি লায়না অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা খঙদোকহৌবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইরি।

মহাক্না মখা তানা মালেমদা ব্রেষ্ট কেন্সর অসিনা অনীশুবা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা কেন্সর মখল ওইরি। সেনাপটিগী এন সী দি সেল রিপোর্টতা নুপী ১১,৪৭৭ ব্রেষ্ট কেন্সরগী স্ক্রিনিং তৌবা মতমদা মীওই অহুম লায়না অসিনা নারম্বা থেংনখি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ব্রেষ্ট কেন্সর স্ক্রিনিং এন্দ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী সেনাপটিগী মীয়ামদা লেম্না মেদিকেল স্ক্রিনিং তৌবা ফংহনখি। প্রোগ্রাম অদুদা সেনাপটিগী দি এল ও, পুলিস পার্সনল, সি এস ওগী লুচিংবশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করস অমদি নুপী কৈথেলগী পোৎফম ফন্বী নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

দিজিটেল মেটা মার্কেটনা ইন্সাং-নাপী কয়া অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা অমসুং শেন্মীৎলোনদা মতেং পাংবা ঙম্নবগী পান্দমদা দিজিটেল মেটা মার্কেট হায়না মীং থোনদুনা থোরক্লিবা ষ্টার্ট অপ অসিনা লমদম অসিগী অৱা-অনা তারবা মীয়ামদা অমদি মণিপুরগী কাচিন-কোয়াদা কেজিদা অমদি পার লিটরদা হোলসেল মমলদা মনা-মশিং অমসুং ইন্সাং-নাপী অহোংবা মমলদা হায়না ষ্টার্ট অপ অসিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ইন্সাং-নাপী খক্তা নত্তনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং দিজিটেল মেটা মার্কেটতা শোয়দনা ফংবীগনি।

মহৈরোয়শিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবগী পান্দমদা দিজিটেল মেটা মার্কেটনা থাগী ফী লৌদনা লাইরিক তমহনবগী খুদোংচাবসু পীরি। অঙাংশিং ফ্রী এদ্যুকেসন ফংহন্নবা থবকশিংসু হাঙদোক্তুনা লাক্লি অমদি মসিনা মীওই কয়া থবক ফংহনবা ঙম্লে হায়রি।

ঙসিগী ৱারবা চহী অনীগী কোরোনা চৈথেং, লানগী চৈথেং, ঈশিং ঈচাওগী চৈথেং অমদি শেন্মীৎলোনগী চৈথেং ফংলবা ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিংদা ঐখোয়না মীয়ামগী থৌগল তৌজগে খল্লিবসি মঙফাওনহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা লোন্না চেনশিল্লকপা রোহিংয়াশিংগী মশিং হেঙ্গৎলক্কেঃ হিমন্ত

গুৱাহাটি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) : অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বানা ঙসি ইন্দিয়াদা য়ুমথংনবা বাংলাদেশ অমদি ম্যান্মারদগী লোন্না চেনশিল্লকপা রোহিংয়াশিংগী মশিং হেঙ্গৎলক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, অতেনবা মতম খরা অসিদা রোহিংয়াশিংনা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট লমদমশিং অসিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। মসিনা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা লমদমশিং অসিদা দেমোগ্রাফিক ইনভেজনগী হায়বদি মফম অসিদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগা মখোয়গা মশিং পান্নরকপদা অমদি লমগী ওইবা চয়েৎনবা লাকপদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লে। মসিনা মফম অসিদা মমাঙঙৈদগী খুন্দাদুনা লৈজরক্লবা ইন্দিজিনস পীপলশিংদা চিংনবা পোকহনবতা নত্তনা মপান্দগী চঙলক্লিবা মীতোপশিং অসিগী অচৌবা ইরাং অমা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লরে।

হৌজিকসু নোর্থ ইষ্ট লমদমশিং অসিগা য়ুমথংননা লৈরিবা লৈবাকশিং অসিগগী মরক্তা লৈবা বোর্দর এরিয়াশিং অসি ইকোম কোম্না চখোক চৎশিন তৌবা য়াবা মরম্না মীতোপ চঙলক্তনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরি।

তাল্লক অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা বাংলাদেশতগী চেনশিল্লকপা মীওইশিং মহাক্কী ষ্টেটতা চংজফম পীগনি হায়বসি লাইৎবকথীবনি। অসামগী কোংগ্রেসনা লমদম অসিগী দেমোগ্রাফি হোংলক্কে হায়বসি থাজদবনা মরম ওইরগা লোন্না চঙশিল্লকপা রোহিংয়াশিংগী পোলিসি অমা শেম্নবা হোৎনবদা অপনবা ওইরি হায়খি।

মহৈ-মরোং মাঙহনবা থুনা শন্দোক্কনবা অনৌবা তিল থেংনরেঃ ডা. রোজেট

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : ইম্ফালদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু)গী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর ডা. রোজেট থাংজমনা মণিপুরদা মহৈ-মরোং মাঙহনবা অমদি থুনা শান্দোক্কনবা অনৌবা তিল মখল অমা থেংনরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ডা. রোজেটনা থেংনরে হায়রিবা তিল মখল অসি কেটরপিল্লর স্লগনি। মসি পুরসেলস হন্টর স্লগ হায়রগসু খঙনৈ। হায়রিবা তিল মখল অসি মণিপুরদা হান্না অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা তিল অমনি। হৌজিক্তিমণিপুরদা হৌবা উঁহে-ৱাহে অমদি মনা-মশিংনচিংবা পান্বীশিংদা তারম্বা থেংনরে হায়রি।

সাউথ অফ্রিকাগী ক্বাজুলু-লটালদগী হৌরকপা তিল মখল অসি হৈনৌ, পুংথোল, বেরি, লিটচি, ফৈসালিস, ক্রিপ জিঞ্জর, বনয়ান অমদি ক্রুসিফেরসনচিংবা পান্বীশিংদা তাগল্লি।

হায়রিবা তিল মখল অসি য়েংবদা মচু ৱাওবগা লোয়ননা মশাদা লাইট বেন্দ চৎলি। হায়রিবা তিলশিং অসি হৌজিক্কী ওইনদি পান্বীশিংদগী খুৎনা লৌথোক্লগা হাৎপনা খ্বাইদগী ইফেক্টিব ওই হায়রি।

ও আর এস ৱিককী থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী বেন্টিং হোলদা হপ্তা অমা চুপ্পা পাঙথোরকখিবা ও আর এস ৱিককী থৌরম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ও আর এসকী থৌরম অসি 'দাইরিয়া কী রোকথম, সফাই ওর ও অর এস সে রখেন অপনা ধ্যান' হায়বা হীরম অসিদা পেদিয়াত্রিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেস্সর জি সুনিলকুমারনা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। অথোয়বা মীথুংগী ৱারোল থন্নদা প্রোফেস্সর জি সুনিলকুমারনা হায়, মীওইবগী পুন্সিদা ওরেল রিহাইদ্রেসন সোল্যুসন/সোল্ট (ও আর এস)কী কান্নবা অসি মীপুম খুদিংমক্না খঙবগী তঙায়ফদবা লৈ।

মসিগী মতাংদা লমদম অসিগী হেল্ঠ ৱার্করশিংদা মীপুম খুদিংমক্তা ও আর এসনা মীওইবগী হকচাংদা করি তৌবগে অমসুং মসি করম্বা মতমদা শীজিন্নগদগে হায়বসিগী নোলেজ লৈহনগদবনি। মীওই অমা দাইরিয়ানা নারবা মতমদা ও আর এসনা মহাক্কী পুন্সি কনবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না কাওরোইদবনি হায়খি। থৌরম অদু রিমসকী ওফিসল অমসুং নর্সিং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

ৱার্ল্ড ব্রেষ্ট ফিদিং ৱিক পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : ব্রেষ্ট ফিদিং প্রোমোসন এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (বি পি এ এম)না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেটব্রাঞ্চ, ইম্ফাল ওবষ্ট্রেটিক্স এন্দ গাইনিকোলোজি সোসাইটি, পেদিয়াত্রিক্স এসোসিএসন ওফ মণিপুর অমদি ত্রেন্দ নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা হয়েংদগী অগষ্ট ৯ ফাওবা 'ক্লোজিং দি গেট: ব্রেষ্ট ফিদিং সপোর্ট ফোর ওল' হায়বা হীরম অসিদা ৱার্ল্ড ব্রেষ্ট ফিদিং ৱিক ২০২৪গী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়না বি পি এ এমগী সেক্রেটরি ডা. জেমস এলাংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা বি পি এ এমনা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটাল, শিজ হোস্পিটাল, চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজ, আই এম এ হাউস, য়ুনিভর্সেল কোলেজ ওফ নর্সিং, মাদর্স ক্যের এন্দ চিলদ্রেন হোস্পিটা, ববিনা হোস্পিটাল অমদি রিমসনচিংবা মফম কয়াদা ব্রেষ্ট ফিদিং এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোক্কনি হায়রি।

এৱ্যেরনেস কেম্প অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা কম্যুনিটিশিং অসিদা ব্রেষ্ট ফিদিংগী মতাংদা ইদ্যুকেসন, রিসোর্ছ অমদি সপোর্ট পীবা ঙম্লগনি হায়রি।

ৱার্ল্ড ব্রেষ্ট ফিদিং ৱিককী থৌরম অসিনা মমা ওইবীশিংবু ব্রেষ্ট ফিদিংগী মরমদা হেন্না মীকপ থোকহনবতা নত্তনা মমা অমদি মচাগী মরক্তা লৈরিবা মরী হেন্না ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম অমসুং মিজোরামনা দ্রগকী মায়োক্তা লেপমীন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) : মিজোরামগী এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স মিনিষ্টর লালহিংলোভা মারগা অসাম এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংগা ঙসি গুৱাহাটিদা উনদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মিজোরামগী মিনিষ্টর অসি অসামগী এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক মিনিষ্টরগা উননবা শেম শাখিবনি অদুবু অসামগী মিনিষ্টরনা মীফম অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়রকপদগী অসাম এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিংগা উনদুনা অসাম অমসুং মিজোরামগী মরক্তা দ্রগ লল্লোনবা অমদি দ্রগ শীজিন্নবগী থৌওং হেঙ্গৎলক্লিবা অসি করম্না থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন নৈনখি।

মীফম অদুদা মিজোরামগী মিনিষ্টর অদুনা অসামগী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ইন্দ্রেশ্বর কলিতাগা মতম কুইনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা মিজোরাম অমসুং অসামগী মফমশিংদা দ্রগ লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক থেংনমীন্নবা অমদি দ্রগকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং থিজিন্দুনা মরু ফংনা মুখৎপা হায়বা ৱাফমসিদা য়ানবা পুরকখি।

মিজোরাম অমদি অসামনা দ্রগ থেংনমীন্নবা ৱারেপ লৌরক্লিবা অসি ম্যান্মারদগী মিজোরামদা হিরোইন পুশিল্লক্লগা মফম অসিদগী অমুক অসামদা পুদুনা লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌনবা হোৎনরকপদগীনি হায়রি।

কে সী পি (তাইবংঙানবা) গ্রুপনা ৱাফম খরা থল্লক্লি...

ঙরাংগী মখা... কংলৈপাক অসিগী লৈমায়দগী নিশাগী পোৎলমশিং মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দম থমদুনা ১৯৭০গী অঙনবা শরুক হায়বদি ১৯৭৪-১৯৭৫ অদুৱাইদগী হৌনা ইমা-ইবেল কয়ানা মৈরা পাইবীশিং মণিপুর/কংলৈপাক অসিগী লৈকায়-লৈকায়শিংদা ফাওবা লিংখৎতুনা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি।

মসিগী মথক্তা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনসু হোৎনদুনা লাকপগী মথক্তা লৈঙাক্কী মখাদা তোলোপ চাদুনা লৈরিবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট অসিসু থাগী তোলোপ খক ঙাইদুনা লৈবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইদুনা লাক্লি। অসুম্না মতম মতমগী ওইনা থোক্লকপা মমিং লৈরবা ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন হায়বদি এন্টি দ্রগ এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন কয়াসু চপ চানা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি করিগীনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরকপদগী নিশাগী পোৎলম থিংনবগী ওইনা থোরকপা ওর্গনাইজেসন/এসোসিএসনশিংগী মেম্বরশিংগী মরক্তা থম্মোয় শেংনদবগী মায় পাকপা ঙমদ্রিবরা। নত্রগনা মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা ঙাক্লৌ অমত্তা পীদবগীরা। নত্রগা কাঙলুপ/ফুরুপকী নিশা থিংনবা চোংথোকপীরক্লিবা লুচিংবশিংনা ইমুং-মনুং, খঙন-চান্নবা অমদি মরুপ-মপাংগী মীংদা শক-মাই য়েংনবদগী মায় পাকপা ঙমদ্রিবরা হায়বা অচৌবা ৱাহং কয়াশিং অসি লাকপদগী লুপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা লুপ অসিগী ওইনা লিংখৎখিবা ওপরেসন ওন ইরাদিকেসন ওফ পব্লিক এনিমি কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপনা মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০১৭তা লাউথোকখিবা ৱার ওন দ্রগস অসি ফোংনা শৌগৎতুনা শক-মাই অমত্তা য়েংনদনা দ্রগ করবারগা মরী লৈনবশিংবু কংলৈপাক্কী লৈমায়দগী মরু ফুক্না কংলৈ খুন্নাই অসিগী তুংগী চারোন শুরোন শোয়দনা কনবা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লি। মরমদি, দি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টস এন্ন্যুএল পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভে (পি এল এফ এস) ইন ২০২২গী মতুংইন্না ইরমদম কংলৈপাক অসিগী অন ইমপ্লোইমেন্ট রেট অসি ৯% ওইদুনা নেসনলগী এভরেজ রেট ওইরিবা ৪.১%গী শরুক অনী হেন্না ওইবদগী শেন্থোক লৈরক্তবা অমসুং শুফম নোম্ফমসু মরাং কায়রক্তবনা মরম ওইরগা রাইজ ওফ অলটর্নেটিভ এগ্রিকলচর কলটিভেসন অসি পোপ্পি কলটিভেসননা চীংগী লমশিংদা ইরমদম কংলৈপাক অসিদা নারোনদা লোৎনা চঙশিল্লকপা নার্কোটেররিষ্টশিংনা পাক শন্না শনেদারকপদগী সিন্থেসাইজ ফোর্ম ওফ ওপিয়ম হায়বদি নম্বর ৪ হায়বা পোপ্পি পান্বীদগী এক্সট্রেক্ট সবটেন্স ওইরিবা অসি ইরমদম মণিপুর অসিদা 'থুম মোরোক' (নম্বর ৪ হেরোইন) অসি অতোপ্পা মালেমগী জগাদা ফংবা মমলদগী শরুক মঙা থোকপগী অমদা ফংহনবদগী লৈবাক অসি নিশাগী ইপাক্তা ইরুপ্পুনা লৈরিবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্ত্রবা ৱাফম অমা ওইরি।

চৈরক অসিদা য়ু এম পি সী মণিপুরনা মৈতৈ পাঙল ফুরুপকী মীওই খক্তংমক কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপ অসিগী ওপরেসন ওন ইরিদিকেসন ওফ পব্লিক এনিমিনা পুথোকপগুম থল্লক্লিবা ৱাফম অসি মমিং লৈরবা এন্টি দ্রগ এসোসিএসন অমা ওইরিবা য়ু এম পি সী মণিপুরনা লুপকী দ্রগ থিংবগী খোঙজং অসিদা শৌগৎ ৱাহৈ থল্লকপগী মহুত্তা ওন্ন তৈনবা ৱাফম মানবা ওইনা থল্লক্লিবা অসি য়াম্না ঙকপা অমদি চমম্নবা অমসু পোকই। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্না ২০১৭তগী চথরকখিবা ৱার ওন দ্রগকী মনুং চন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী দাটা রেকোর্দকী মতুংইন্না দ্রগকা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওই ২৫১৮গী মনুংদা মৈতৈ পাঙল ফুরুপকী মীওইনা ১০৮৩ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংনা চৈন্নে হায়না রেকোর্দ তৌরি।

মথংশিংনা কুকি ফুরুপকী ওইনা মীওই ৮৭৩ অমদি মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপকী ওইনা মীওই ৩৮১ ওই হায়না রিপোর্ট তৌরি। হায়রিবা রিপোর্ট অসি লাল্লি হায়না য়ু এম পি সী মণিপুরনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়োক্তা অমদি লৈঙাক অসিগী ৱার ওন দ্রগ অসি এক্সপার্ট য়াওদনা চঙশিনবা খোঙজং অমনি হায়না হায়খিবা নত্রগা ফোঙদোকখিবা লুপ অসিনা তাবা উবা ফংখিদে। মরম অদুনা য়ু এম পি সী মণিপুরনা দ্রগ থিংনবা হোৎনরিবা কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপতা এক্সপার্ট তানবা চুমগনি হায়বা ৱাফম থল্লকপা অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ু এম পি সী মণিপুরনা এক্সপার্টকী ৱান্থোক, লুপ্তা লাক্তুনা শেংদোক্নবগীদমক্তা য়ু এম পি সী মণিপুরনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা দ্রগ এক্সপার্টশিং পুদুন লাক্কদবনি হায়না প্রেস/মীদিয়াগী থোঙদা খঙহল্লি।

বোগিময়ুম সবির অলি কনানো, কনানা ইনশিল্লগা লুপকী মায়োক্তা ৱা ঙাংলিবনো হায়বদু ওপরেসন ওন ইরাদিকেসন ওফ পব্লিক ইনিমি কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপকী চয়োল অমগী মনুংদা শোয়দনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিদা বোগিময়ুম সবির অলিবু পুক্লিং থৌগৎলিবা অমদি ইনশিনখিবা মীওইশিং য়াওবীরগদি লুপকা ৱাখল তাথোকমীন্নবগী তাঞ্জা অমা পীজবা ওইনা চয়োল অমগী মতম পীরি।

মসিগী মনুংদা লুপ অসিদা চঙজরকপনা ৱাখল তাথোকমীন্নবগী তাঞ্জা অমা পীদবা তারগদি বোগিময়ুম সবির অলিগী মথক্তা লুপ অসিনা থল্লিবা মীৎয়েং অসিগা চপ মান্ননা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না প্রেস/মীদিয়াগী থোঙদা খঙহল্লি।

লোয়ননা অনীশুবা শরুক্কী ওইনা মখাদা পঞ্জরিবা মীওইশিং অসি নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা লুপ্তা চঙজরক্নবা ওপরেসন ওন ইরাদিকেসন ওফ পব্লিক এনিমি কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপনা খঙহল্লি।

মীওইশিং অদুদি ১) য়ুন্নাম ৱান্দর সন ওফ ৱাই বুধা, সামুরৌ ময়ায় লৈকায় ২) য়ুন্নাম ইনাওবা সন ওফ ৱাই বুধা, সামুরৌ ময়ায় লৈকায় ৩) এম দি অনৱার সন ওফ এম দি সলাউদ্দিন, কৈরং অৱাং লৈকায় ৪) দিলাৱার সন ওফ মোহম্মদ সলাউদ্দিন, কৈরং অৱাং লৈকায় ৫) মোহম্মদ করামউদ্দিন (পুলিস কোনষ্টেবল), কৈরং তেরা মখোং ৬) সোমি সন ওপ তরপোনজাও, কৈরং মৈতৈ থোং মখোং ৭) য়ুমখাইবম হবিবুর সন ওফ (লেট) মনি, ওইনাম সৌওম্বুং দাম ৮) য়ুমখাইবম অনোরি ৱাইফ ওফ ৱাই হবিবুর, ওইনাম সৌওম্বুং দাম ৯) য়ুমখাইবম অমিতা দোটর ওফ ৱাই হবিবুর, ওইনাম সওম্বুং দাম ১০) য়ুমখাইবম সতার সন ওফ (লেট) মহেরউদ্দিন, ওইনাম সওম্বুং দাম ১১) দোলাইপাবম লৈলা ৱাইফ ওফ নসির খান, ওইনাম সওম্বুং দাম ১২) মুচা সন ওপ সেরা ওইনাম সওম্বুং দাম ১৩) খুল্লাকপম ইনাও সন ওফ (লেট) অব্দুলহৈ কে ঐচ ইনাও(কিং পিন) ওইনাম সওম্বুং দাম ১৪) খুল্লাকপম মোম্বী ৱাইফ ওফ (কিং পিন), ওইনাম সওম্বুং দাম ১৫) খুল্লাকপম এম ভি নজির এলিয়স তোম্বীসনা সন ওফ (লেট) অবদুলহৈ ওইনাম সওম্বুং দাম ১৬) খুল্লাকপম এম ভি কলাম (হোটেল ফম্বা) সন ওফ অমুচৌ ওইনাম সওম্বুং দাম ১৭) নোংয়াইময়ুম পিকক্র সন ওফ (লেট) জমেরউদ্দিন ওইনা সওম্বুং দাম ১৮)খুল্লাকপম অব্দুল অজিজ সন ওফ (লেট) ময়াং অবাস ওইনাম সওম্বুং দাম ১৯) খুল্লাকপম অবিরখান সন ওফ (লেট) ময়াং অবাস ওইনাম সওম্বুং দাম ২০) খুল্লাকপম অপা সন ওফ (লেট) অব্দুলহৈ ওইনাম সওম্বুং দাম ২১)ৱাংময়ুম ইবোমচা সন ওফ (লেট) অনৱার ওইনাম সওম্বুং দাম ২২) ময়াং তাজ খান (অচাপোৎ য়োনবা ময়াং মচা) ওইনাম সওম্বুং দাম ২৩) এম দি ইথেম (ফিরোজ) মোইজিং লুঙ্গৈইজিং মখা ২৪) এম দি ৱাসিম মোইজিং মিনা বজার ২৫) এম দি সনাথোই মোইজিং লমখাই ২৬) এম দি অমির খান মোইজিং লমখাই ২৭) এম দি লুকুমান মোইজিং ইথকপল ২৮) এম দি হিরো মোইজিং অৱাং ২৯) এম দি ফুরখান মোইজিং লমখাই ৩০) এম দি জলিম মোইজিং কাংজৈবুং ৩১) এম দি নজিব মোইজিং সোসাইটি লৈরক ৩২) এম দি মিতা খান মোইজিং অৱাং ৩৩) এম দি সগির মোইজিং অৱাং য়োৎচাবী ৩৪) এম দি মুকান সোরা খুঞ্জাও মমাং লৈকায় ৩৫) এম দি সজিদ মোইজিং ইথকপল ৩৬) এম দি অয়ুব খান মোইজিং চীংয়া ৩৭) এম দি কবির মোইজিং য়োৎচাবী অমদি ৩৮) এম দি ইঙৌল্লে মোইজিং য়োৎচাবীনি।

সি আর পি এফকী ১৪৩শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা ব্লদ ডোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) : লম্ফেলপাৎতা লৈবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী ১৪৩শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা ঙসি রিমসকী ব্লদ বেঙ্ক দিপার্টমেন্টতা ব্লদ ডোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ব্লদ বেঙ্ককী ঐচ ও দি ডা. কে রাজচন্দ্রনা ব্লদ য়ুনিট অমনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্মী অমসুং হোস্পিটাল খুদিংমক্কী লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিং অসি ব্লদ ডোন্নর লৈত্রবদি ৱাহন্থোক লৈত্রবা মফম ওইরক্কদৌরিবনি হায়খি।

মহাক্না সি আর পি এফকী ১৪৩শুবা বট্টালিয়ননা ব্লদ ডোনেসন কেম্প শীন্দুনা মীওইবগী পুন্সি কল্লিবা মমল য়াম্লবা ঈ পীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সি আর পি এফকী ১৪৩শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট এস ঐচ রবিন্দর শর্ম্মনা ব্লদ ডোনেসন কেম্প অসি মপুং ফানা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা ১৪৩শুবা বট্টালিয়নগী পার্সনলশিং, রিমসকী ওফিসলশিং, ডা. কে রাজচন্দ্র অমদি রিমসকী ব্লদ বেঙ্ক দিপার্টমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ঐখোয় লৈবাক অসিগী লান্মী ওইরবসু ঐখোয়গী সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি অসি অশুক্কী মতীক চাউনা লৈ।

ব্লদ ডোনেসন কেম্প অসিদা সি আর পি এফকী ১৪৩শুবা বট্টালিয়নগী পার্সনল ৩৫না ঈ পীখি। তুংদসু বট্টালিয়ন অসিনা ব্লদ ডোনেসন কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

OFFICE OF THE BISHNUPUR MUNICIPAL COUNCIL,

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated : 31/07/2024

No. BMC/2000/RO/N-T/Adv/2017-18/News Approval- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor Shed No. B2, Licence No. B/60 Seat No. 380 Smt. Keisham Radhe Devi W/o K. Yaima Singh লৈফম Bishnupur Ward No. 4 গী মিংদা লৈবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা/মৃতু শ্রীমতি Khundrakpam Bimolini Devi W/o Kh. Romesh লৈফম Khoijuman Mayai Leikai গী মিংদা Licence কী মিং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরানি)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- Revenue Inspector,
Bishnupur Municipal Council, Manipur.

HL-P/749/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 320/SDC/YPK Dtd. : 30/07/2024

Sherabanu W/o (L) Md. Rasid Ali of Yairipok Changamdabi - Petitioner
-VS-
(Late) Md. Rasid Ali S/o Md. Ibomcha of Changamdabi. - OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Yairipok, 30/07/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুন নং 11-Khoirom পাট্টা নং অরিবা 75 পাট্টা নং অনৌবা 19 দাগ নং 1191 এরিয়া .3800 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Md. Rasid Ali পীং Md. Ibomcha সাং Changamdabi অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রিবা পিটিস্নরনা ফংফম থোকপা শোতোনি মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরনা মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ (৭) তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Yengkhom Jivan Singh,
Sub-Deputy Collector, Yairipok

HL-P/739/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case 77/SDC/BPR 2024

1) Smt. Wahengbam (O) Manao Devi W/o (L) W. Shamungou Singh of Bishnupur W/No. 11. - Petitioner
-Vrs-
Late Wahengbam Shamungou Singh S/o W. Khomei Singh of Bishnupur W/No. 11. - Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Bishnupur, the 31st August, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং: ৩৭-বিষ্ণুপুর অৱাং পাট্টা নং: ২০৯ (অরিবা), ৫০৩ (অনৌবা) C.S. Dag No. ১৩৪৪ গী ০.০৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং: ২ মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল শরুক অসি মথক্তা পঞ্জরিবা পিটিস্নর অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কো-পাট্টাদার ২ নং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪ (তরামরি)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Bishnupur

HL-P/747/1

[illegible]

[illegible]

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

ꯅꯣꯇꯤꯁ / ADMISSION NOTICE /784
Dated, the 30th July, 2024

No.MU/3/Adm/Aca/24: In continuation of this office notice No. 778, dated, the 19th July, 2024, online applications are invited for admission into 1st semester of some of the PG courses for the academic session 2024-25 (Final Phase).

Category wise vacancies :

Sl.No.	Course/Dept.	UR	OBC	SC	ST	EWS	Total
01.	MBA* (Master of Business Administration)	-	-	-	22	8	30
02.	MCA (Master of Computer Applications)	-	-	1	7	7	15
03.	MCom (Master of Commerce)	-	-	-	5	6	11
04.	MFA (Master of Fine Arts)	7	6	-	9	3	25
05.	MSc in Biotechnology	-	-	-	3	-	3
06.	MSc in Botany	-	-	-	16	8	24
07.	MSc in Chemistry	-	-	-	-	4	4
08.	MA in Dance	-	-	1	5	2	8
09.	MSc in Earth Sciences	-	-	-	1	2	3
10.	MA in Education	-	-	1	2	7	10
11.	MA in Economics	10	6	1	31	10	58
12.	MA in Hindi	-	-	-	10	3	13
13	LLM (Master of Law)	-	-	-	-	3	3
14.	MA in Library & Information Science	-	-	-	-	3	3
15.	MA in Linguistics	-	3	-	13	5	21
16.	MA in Manipuri	-	-	-	20	13	33
17.	MA/MSc in Mathematics	-	-	-	4	7	11
18.	MA in National Security Studies	-	-	-	10	5	15
19.	MA in Philosophy	-	-	-	8	7	15
20.	Master of Physical Education & Sports (MPES)	-	4	-	11	6	21
21.	MSc in Physics	-	-	-	-	5	5
22.	MA in Political Science	-	-	-	17	10	27
23.	MA/MSc in Psychology	5	5	1	17	7	35
24.	MA in Sociology	-	-	-	-	4	4
25.	MA in South East Asian Studies	-	-	1	7	5	13
26.	MA/MSc in Statistics	-	-	-	6	4	10
27.	MSc in Yoga Science	12	-	-	10	5	27
28.	MSc in Zoology	-	-	-	3	-	3
29.	M.Voc in Entrepreneurship & Foreign Trade	-	13	-	19	6	38
30	M.Voc in Tourism & Hospitality Management	-	11	-	13	6	30

Note : Seat may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned

How to apply:

1. Online application forms and detailed will be available from the University website www.manipuruniv.ac.in
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- (in case of ST/SC/PWD) candidates are to be paid online using UPI/Debit Card/Credit Card/Net Banking only.

* MBA: An application fee of Rs. 800/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 500/- (in case of ST/SC/PWD) candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

IMPORTANT DATE LINES :

Start of Online Submission	31.07.2024
Last Date for Online Submission	05.08.2024

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar

HL-B/8967/31/7, 01/8